ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, জুলাই ২৮, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১২৩শুবা মশীং

# মঙ্কিপোক্স

## চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবা চুমগনি

চাইনাগী রুহান প্রোভিন্সতগী হৌরকখিবা নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) না য়ৌশিল্লক্কবা মালেমগী লৈবাক লৈশিল্লক্রে। মালেম পূম্বদা পাক-শন্না শন্দোরকপদগী মীওই কয়াগী য়াম্লবা পুন্সি মাঙখ্রে। অতোপ্পা লৈবাকশিং লোইনা লামশিল্লুদ্রবসু লৈবাকসিগী ওইনদং য়েংবদা মীওই লাখ ৫গী মথক্তা শিহনখ্রে। অদুগা পীক্লবা মণিপুরদা ফাওবা জুলাই ২৬, ২০২২গী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট ফাওবদা মীওই ২,১২৮কী পুন্সি মাঙখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবদা পোজিটিভ ওইরকপদা খরদংদা ওইরবসু শাফনবা ভেক্সিন পুথোক্তুনা মসিগী অহানবা, অনীশুবা দোজশিং অমসুং প্রিকোসন দোজ কাপথোক্লবা নত্তনা লায়নাসিগী মায়োক্তা চপ-চাবা পান্থে অমত্তা লৈত্রি। মীওইবা অমগী হকচাংদা কোভিদ-১৯গী মহিক চঙহন্দদুনা পোজিটিভ ওইহন্দবা ঙম্বা ভেক্সিনসু ওইদ্রি। হীদাকসিগী অহানবা নৎত্রগা অনীশুবা দোজ কাপথোকপনা মী অমগী মশাদা লায়নাসি শুকচং চঙহন্দবা ঙম্বা অমসু ওইদ্রি। ইশম-শম্বদা লায়নাসি হৌজিক ফাওবদা মীওইবা খুন্নাইদদি খ্বাইদগী শাথীবা, মীওইবগী থৱায়বু হিংথৎ-থৎপা ঙম্বা তমথীরবা লায়না অমা ওইরি। লায়নাসিগী মহীকশিংগী মরক্তসু ম্যুটেসন মথং মথং তৌরক্তুনা অনৌবা ভেরিএন্ট কয়া থোরকপা লেপত্রি। মমাঙগী জুন থা ফাওবদা নুংতিগী লেপ্তুনা তৌরকখিবা টেষ্টতা পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনদবা য়াওখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী ওইনা এক্টিভ কেস অমত্তা লৈজখিদবা নুমিৎ ফাওবা য়াওখ্রে। মীয়াম পূম্নমক হরাওনরুরে। মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লক্লুরে। কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক হাংদোক্লম্বা কোভিদ ক্যের সেন্টর, কম্ম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিং থুপচিনখ্রে। অথিংবা থম্লম্বা এক্টিভিটি কয়া হাংদোরকখ্রে।

অদুবু কোভিদকী মতাংদা নে-তাবা ফীভম অমদা হঞ্জিনবা হৌরুরবা মতুং চৎলিবা থাসি হৌগৎলকপদগীদি পেন্দমিক অসিগী মরিশুবা রেভ হৌগৎলক্লে। নোংমদা মীশিং য়াম্না পোজিটিভ ওইবা থেংনরক্লে। পোজিটিভিটিগী চাংসু ৱাংখৎলক্লে। এক্টিভ কেসশিংগী মশীংসু য়াল্লে। পূম্নমকসিগী মথক্তা জুলাই ১৫, ২০২২দগীনা জুলাই ২৬, ২০২২গী তেল্লবা নুমিৎ ১১নিগী মনুংদা লায়নাসিনা মরম ওইদুনা মীওই ৮ গী পুন্সি নৌহৌননা মাঙখ্রে। চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না কাপথোক্নরক্লিবা ভেক্সিন অসিগী দোজ মশীং শুরবসু হীদাকসিনা মহীকসিগী মহু-ময়াই খরদং চমহনবদগী হেন্না হেক্তুমক চঙহন্দবা ঙম্বা ভেক্সিনদি ওইদ্রিবনা হীদাক কাপথোকপসু-কাপথোক্তবসু কো-মোর্বিদিটিবু থোকহল্লবদি কনবা ঙমহৌদনা অদুম্মক শিরে। অদুবু তাল্লকসিদা মালেমগী লৈবাক ৭৫ রোমদা শন্দোরক্তুনা মীওই লিশীং ১৬ হেন্না নাহল্লক্লবা 'মঙ্কিপোক্স' কী লায়না লৈবাকসিদসু য়ৌশিল্লক্লে। ফীভমসিদি হিংলিবা মীয়াম্না নাহি তারকপদগী খক্লনবা অরৈবা পান্থে পুথোক্তুনা হোৎনরিঙৈদা হুইনা অমুক লাকই হায়বগী ফীভমদুনি। ওইরক্লিবা ফীভমসিদগী ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা লায়না অসিমক গ্লোবেল ইমর্জেন্সি অমা ওইরে হায়দুনা ফাওবা লাউথোকখ্রে। লৈবাকসিগী কেরলাদা ইহান হান্না কেস অমখক থেংনবা হৌখিবদগী ত্রাভেল হিষ্ট্রিসু লৈতবা দেল্লীদগী মশাগী চহী ৩৪ শুরবা নুপা অমসু জুলাই ২৪, ২০২২দা লায়নাসিনা নারম্বা থেংনখ্রে। মহাক ফাওবদা লৈবাকসিদা থেংনবা মঙ্কিপোক্সকী কেস মরি শুখ্রে। মসিদগী হেন্না হেনগৎলক্তবা অমসুং মণিপুর য়ৌরক্তবদি ওইসনু। অদুবু চাইনাগী রুহানদগী হৌদোরকখিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মণিপুর ফাওবা য়ৌরকখ্রিবনা লায়না অসিসু য়ৌরক্লোই হায়বদা পূক্নিং লূমদ্রি। মরম অসিনা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌবা চুমগনি। করি করম্বা থবক-থৌরমশিং পায়খৎলগদি লায়নাসিনা নাহল্লক্তবা য়াবগে হায়বসিদা এক্সপর্টশিং তান্নদুনা মখোয়না পীরকপা সজেসনশিং মীয়ামদা পাক্তক্লনা খঙহলহৌবা চুমগনি হায়নীংই। মতম লৈরিঙৈদা প্রিভেন্টিভ মিজরশিং লৌখৎলু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১) **"কৃষ্ণরা, জেসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে/কল্লুনে ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা।"** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো অমদি শৈরেং মতেক অসি মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) **"য়াথং"** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) মোইরাং নিংথৌগী মচানুপী অমা **"লৈবাককী অৱাবা কোক্লবা তৌখিবী অমদি মপাগী য়াথং লৈবাক তাহনখিদবী পুকচেল চাওবী নুপী অসিগী মরমচৎ উৎনীংবদগী মৈতৈ ময়েক্তগী খ্বাইনা খঙনবা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোক্তুনা ছাপা নম্বা য়ানবা শেমদোকচবনি।"** হায়রিবা লাইরিক অসি করি লাইরিকনো অমসুং কনানা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোকপনো?

৪) শক্লাইরবা কবি ঐচ নন্দ মৈতৈগী শৈরেং ১০৩বু কনানা ইংরাজিদা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৫) **"মৈ চঙলবা চেক"** হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৮৮

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

শোয়হন্নীংদবা হায়বসি হেক হেক শোয়রকপা য়াওই। মসিদি চেকশিন চেকশিন্না অদুম মীওইবগা লোয়নদুনা লৈবা অমনি। অশোয়বা অমনা মীওইবা অমগী মতিক ময়াই হেনগৎহনবসু লৈ অদুগা হন্থহনবসু লৈ। য়ারিমখৈদি শোয়দনবা হোৎনবা হায়বসিনা মরুনি। অদুবু য়াদে, শোয়রকপদা ওন্থোক্না ফীভম তাদবা কয়া অমা থেংনৈ। লীলা শান্নরিঙৈদা শোয়বসি মখল কয়াদা লৈ। করিগুম্বা ৱাখল অমা খল্লুবদগী নুংতিগী ঙাঙদুনা লৈরবা দাইলোগ হেক কাউথোকখিবগুম্বা, নীংশিংউ শুংয়া য়াদবা মসিসু হেক হেক থেংনৈ। তৌবগীদি মসি ৱাখল লমফৈ অমা খল্লুরবা মতমদা তৌগল্লি। অদুনা লীলা শান্নরিঙৈ মতমদা করিগুম্বা ৱাখল ফৈরেংনবা অমত্তা খনবা য়াদে। ঐগী তৌগদবা অদুদা য়াম্না পূক্নিং চঙনা তৌবা অমা মথৌ তাই। নৎত্রবদি লোল কাউবা হায়বদুগীসু মথক্তা তৌগদবা খুদিংমক লোইনা ফৈজৈ চৎখিবা য়াম্না থেংনৈ। মসিদি ঐতগী ৱা নত্তে, খুদিংমক্কীনি। দাইলোগনা নীংশিংলক্তুবদা পান্থে লৈবা জাৎ নত্তে। ফনা য়াম্না নীংশিংনবা হোৎনরবসু থোরকউ য়াদবা য়াওরিবনি। অদুবু লীলা থোকখ্রবদি লেপ্পদি য়াবা নত্তে। ঙাঙদনা ৱখল খল্লগা করি হায়দৌরিনো হায়না লেপ্পগা লৈবা য়াবদি নত্তে। চিন্দদি লেপ্তুনা ঙাঙদৌরিবনি, অদুগা লোয়ননা মাঙখ্রিবা দাইলোগতু নীংশিংনবা হোৎনবনি। মসি অরায়বা থবক নত্তে। ঐখোয়গী ব্রেনসি অমুক্তদা অনীরক থোক্লা থবক তৌরিবনি। দাইলোগ শোয়বগী ৱাসিমা কোন্না লাকচরগে, ঙসি ঐনা পাউদমজগদৌরিসিনা, লীলা থোকপদা খঙহৌদনা ওইরকপা অশোয়বা কয়াগী মতাংদা ইশামক্তা থোকপা থৌদোক অমা অনীদং ময়ামগী নুংঙাইনবা নীংশিং পরৈ লাকচরক্কে।

য়াওশঙ মৈ থাবা নুমিৎনি। য়াওশঙ স্পোর্টসকী ওইনা শান্নবা লীলানি। মী পূম্নমকশিং অসি ৱাখল নুংঙাইবা মতম ওইরি। অনৌবা য়েন্নীং চোংবগী, হৈ লৈগী ফজবা কয়াগী মরক্তা মচু মমেনগী কুম্মৈ অমা ওইরিবা য়াওশঙনা নমশিন্দুনা মী পূম্নমক্কী মায়থোঙদা হরাও নুংঙাইবগী মমি তাবা নুমিৎ অদুমক্তদা লীলা অমা শান্নে। লীলাদুদা ঐসি সেকেন্দ সিনদা ইশা য়াম্না নান্না অঙৌবা ঙাক্তগী স্যুইট অমা শেৎলগা থোরকপনি। ফুরিৎ খোঙগ্রাও ইষ্ট্রি নান্না তক্লগা ফজনা থুপ্পগা পুরকপদু শেৎলগা পেটি অমুবা অমা ফারগা ফুরিৎকা নমশিন্দুনা পোজ তানা থোরকপনি। লীলাদুগী ৱারী পরিংদা মফমদু কছারগী মফম অমনি। লৈশাবী অমগী য়ূমদা অহানবা ওইনা লাকপনি। মমা থেংনৈ, মমানা ঐবু কৌশিন্দুনা চৌক্রি অমদা ফমহল্লি। মমাদুগা ৱারী ঙাইহাক শানৈ। কছারগী চৎনবী, মৈতৈনা লৈরিবা ফীভমগী মতাংদা। মতাংদু কৈসু নোক্লিংঙাই ওইবা নত্তে। অদুবু লৈশাবীশিংগী নাকল অমদা মায়সি ওনশিল্লুবনা থিক থিক নোকপা ঐনা উই। খজিক খজিক্তগী ময়ায় ওইরপনা নোকপদুদা ঐনবু খল্লিকো, ঐগী দ্রেসসি খরা নান্না উরজাৎনি, অদুনা মোই মশেনসি ঐগী দ্রেসসিগী মরমদা নুংঙাইজদুনা নোকচরিনি হায়না। অদুগদি মমাদু চঙখ্রগা লৈশাবীদু থোরক্লে। অদুদগীদি রোমান্সকী ৱারীসি শাবা হৌরকপদা ঐনা ওনশিন ওনশিল্লুবা মায়কৈ খুদিংমকশিং অসি ফজনা নোকখ্রেনে। ঐসু চিংনরক্লে, মসিদি কৈনোম তৌবা য়াওরমাল্লে হায়না। অদুম্না খল্লিঙৈ তাঞ্জাদুদা ভাবোক মরক্তগী অমনা হৌগৎলগা ঐগী নাক্তা চঙশিল্লক্লগা নাকোং ময়াদা নাসোন ওইনা খোঙগ্রাও চেন চিংখৎত্রে হায়না হায়রকই। ঐ শ্বাই হেক লাউই। ওন্থোকপনিদা হায়না ঐনা করিমত্তা মোং হাদনা লীলাগী দাইলোগতু ঙাঙনা ঙাঙনা চেনসি তপ্না চিংখৎলি। অদুগা লীলাদু মখা চখৈ। অনৌবা আর্টিষ্ট অমগা ওইরম্লদি মরৈগা তিংথোক্তনা ইকায়মন্দনা চেনশিনখ্রগদবনি। ঐদি মদুম্না তৌদনা য়াম্না লেম্না তপ্না খোঙগ্রাওগদু হায়রপ নান্থোক খোৎতোক্তনা তৌরগা চেন চিংখৎপদুদা ময়ামদু কৈসু থোইনা লুনা লৌনখিদ্রে। ঐনা ইরায় লায়না লৌবদুনা ওইগদ্রা খঙদে। নোক্লম্বশিংদু তপ্না তপ্না ঈংথরক্তুনা লীলারোমদা ফজনা মায় ওনশিন্দুনা য়েংবীখ্রে। অদুবু সিনদু লোইরগা ঐনা ফি শেৎফমদা চঙশিল্লক্লগা খোইদৌ শাওগৎপসিদি হায়দনা কান্নদে। অদুগীসু মথক্তা ইকায়বনা লোইবা জাৎনি। ময়াম মমাঙদুদদি ঐগী অশোয়বদু ইশানা য়াজনা থোইদোক্লা ইকায়বা কৈদৌবা উত্তনা শেমজিনখ্রবসসু থম্মোয়দদি অঙকপা ফংনা ইকায়খিবনি। মদু হৌজিকসু নীংশিংলগা শ্বাই শ্বাই লাওরি।

অতোপ্পা অমনা, খুরাই মায়কৈরোমদনি। মফমদু চপ চানা নীংশিংজরি অদুবু পনদি পঞ্জদ্রে "শজিবুগী নোংলৈ" হায়বা লীলা অমা কুমজা ১৯৮২দা শান্নরম্মী। লীলাদু মমিং চৎখিবা লীলানি। ঐনা বস দ্রাইভর অমা শাই। নোংমা বসতু এক্সিদেন্ট থোক্তুনা বসতুদা তোংলকপা মীওই কয়া অশোক অপন নংখি, শিবসু য়াওখি। মদুগী মনুংদা ঐগী ইচেশিং থোকপা অমা য়াওরি। দ্রাইভরদুসু মখোঙ য়াম্না থীনা শোক্লবনি। ঈহিং নাহিং শাদুনা 'ইচে ইচে' হায়না য়াম্না ৱানা থোরকপনি। লীলাদু শুমাংদা শান্নবনি। ফি শেৎপদু মাঙ্গোল মচি অমদা শেৎলি। ভাবোক্কা অদুম থংনরে। মমাঙ শঙ্গৈাই, অদুগা শুমাংদা নাকল অনী মখা অৱাং, নুপারোমনা মখা থংবদনা ফম্মী অদুগা নুপীনা অৱাং মায়কৈরোমদা ফম্মী। লীলাদুগী মতাংদু য়াম্না সিরিয়স ওইবা সিননি। য়েংলিবা পূম্নমক চেক মোক লাউনবা মতাং নত্তে। অদুবু ঐনা কপ্না কপ্না ইচে ইচে হায়না থোরকপদদি ময়ামসি ৱা ৱা নোকই। নুপীরোমদা ওনশিনবদদি নুপীশিংদু মমায় খুল্লগা কন্না হেন্না নোকখ্রে। ইচে শারিবদু শিগদৌরিবনি। মহাক্কী মনাক য়ৌবদা ঐনা মাবু কোনখৎলগা ঐগী তম্পাক্তা শিহনগদৌরিবনি। ঐদি কৈদৌরিনো,করিগী নোক্লিবনো খঙদে। ইচে শারিবদুনা চেন্দু পোকখায়রে হায়রকপদা ঐ তৌফম ঙাইহাক খঙখিদে। ঐগী খোঙ্গ্রাওগী চেন্দু পোকখায়রগা লোইনা হাইদোক্তুনা লৈরম্বগী ৱানিসে। ঐ হুমাং অনপ্পী কাংবনি। চেনশিনবসু য়াদবা, লীলাদু মতাংদুদা ইচেদুনা শিরমদাইদা, ঐঙোন্দা ৱা ময়াম অমা শিন্নরমগদৌরিবনি। মদু নৎত্রবদি লীলাদুগী ৱারীদু মখা চথবা য়ারোইদবনিনা য়াম্না অরুবা অমা ওইখি। ঐহাক ইশাসি কন্ত্রোল তৌরগা, লিৎলিবা ফুরিৎতু তপ্না লৌথোক্লে অদুগা খ্বাংদা য়েৎশিল্লগা লীলাদু মখা চখৈ। ময়ামদু সিনদুমদি অদুম খরা নোকখ্রে। সিনদু লোইরে। মথং ঐনা থোরকপদদি ঐহাক খোঙ নাম্মা কক্লগা চৈশু অমা শুদুনা থোরকপা সিননি। অদুফাওবদা ময়ামসিনা ঐ হেক উবগা নোকপা হৌই। অদুবু কন্ত্রোল তৌরগা লীলাদুদি মপূং ফানা শান্নখি। কয়াদা খুদোং থীনীংঙাই ওইরিবনো? মসি ঐহাক্কী ৱা নত্তে, অতৈদসু অদুম থোক্লম্বা য়ারিবনি। অদুবু ঐ ইশাদা হকথেংননা থেংনখ্রবনিনা মসিগী নুংঙাইতবসিদি হায়দনা কান্নদে, য়াম্না নুংঙাইতবজাৎনি।

অমুক্না য়াম্না কিনীংঙাই ওইবা থৌদোক অমগা থোকখি, মদু নীংশিংজদুনা ময়ামদা লীজরক্কে। "ঈ থক্লবা কংলাশা" হায়বা লীলা অমা শান্নরম্মী। লীলাদুগী অরোইবা সিনদা ঐগী ইচননুপী বজারদা মফম খঙদনা মাঙখিবদগী নুমিৎ চূপ্পা ঐনা কোয়থি থিরকপগী মতাংনি। অহিং থেংজিল্লক্লবদা বজারদা মী অমত্তা উরক্তুবদা ঐনা কপ্না কপ্না ইচন নুপীদু থিরি। মবুকচেল ফত্তবা নুপা অমনা ইচননুপীদু ফাবিরগা ময়াং অমদা শিন্নথোকখিবনি। অৱাংবা দলাল মতোন্দা অপীকপা মৈঙাল অমা থানবদু উবদা মফম খঙনা ঐনা ইচননুপীবু কৌ কৌদুনা কোয়চেন চেন্দুনা থিরি। তাঞ্জাদুদা মবুক ফত্তবা নুপাদুনা থোরক্লগা ঐঙোন্দা করেম কথাইনরগা মানা পুরকপা থাঙ অমনা ঐঙোন্দা থিল্লকপনি। থাঙদু লংত্রিক লংই, থৌওইনা লীলাদা পুথোক্লবা থাঙখুম শউনগা পানবা অতাঙবা অমা লৈরিবনি, থৌসু য়াম্না থৌই। থাঙ থিল্লিবদু মশাগী ওইনা খরা ফিংজৈ, হৌজিক্তি লৈখিদ্রে, মমিংদি পঞ্জররোই। মমাঙদসু ঐনা য়াম্না হায়বনি, মতৌদমক মালহনবীয়ু, পুক ময়া য়ৌরকপদা ফোর্সতু কন্ত্রোল তৌরগা থাঙ মতোন্দুনা খূৎলোমদা ওনশিল্লগা থিনবীয়ু হায়না। নুমিৎতুগী লীলাদু ফর্ষ্ট শোদুনা লমজাওগী স্কুল অমদা সরশ্বতি পুজাগী শান্নবনি। সেকেন্দ শোনা ককচীং ৱাইরি হায় স্কুলদা শান্নগদবনি। নুমিৎতুদা শোয়য়ু হায়দুনা নুপাদুনা ফোর্স য়াওনা দাইরেক্ট হেক্তা থিনজিল্লকপনি, ঐনা হৈ শিংনা খূৎনা ঙাক্লগা থাঙদু পায়রগা মাগী ফোর্সতু খাম্বনি, অদুগা পুক্তা থিনবা শারগা ঐ শিগদৌরিবনি। অদুবু মাগী থাঙ মতোন্দুনা ঐগী খুবীগা খুদোন্থীগা তাইনবগী অথোৎপা জগাসিদা হেক্তা লেংবগী ৱানিসে। ঐ নাবদা খাঙবা ঙমখিদে, ঈসু ওরো ওরো রো... চেন্থরে। অদুগী মতুংদা ইচননুপীদু ময়াং নুপাদুদগী নান্থোক্তুনা চেল্লকপদা ঐবু কোনখৎলগা ৱা ঙাঙনবদা ঐহাক শোক্লে হায়বসি খঙনরে। মমাঙদা ফল্লগা য়েংবা খরসু খঙনরে। ঐহাক ৱা ঙাঙবা ফাওবা থোক্তুবনি। অদুবু লীলাদুদি লোইশিন্দবা য়াদবনিনা লোইশিন্নবা ঙাঙলগা লোইশিল্লে। লীলা য়েংলিবদুদা মীশক অমনা ময়ূমদগী হীদাক লৌথোক্তুনা হাপ্পলগা সিদি ডাক্টর য়ৌদ্রদি য়াররোই ফোৎপা মথৌ তারে হায়না হায়বদগী ঐখোয় ককচীং তান্না থুনা চৎলে। লীলা মফম য়ৌরগা হৌনবা শেম শারিঙৈদা ঐনা হেল্থ সেন্টরদা চৎলগা ঐগী খূৎতু ষ্টিটচ তৌখি। অদু হল্লক্লগা লীলাদু শান্নখি। খূৎতা পানবগী ফবনি, নুমিৎতুদা থাঙনা পুকলোমদা চঙখ্রবদি কয়াদা ফরক তান্নরমগদৌরিবনো?

শুমাং লীলা হায়বসি য়াম্না নাতৈ চাদবা খুদোং থীনীংঙাই ওইবসু লৈতবা নত্তে। মথংদা হেন্না নুংঙাইবা খূৎপাক্লা থারকপদা পানবগী চাক শাইবা য়াদবসু লৈখি। মদুগী পাউদম অমুক মথংদা তমজরক্কে।

(এন বি :- ওগষ্ট থা অসিমদি 'ইপুদা ইজবা চিঠি' ওইনা থমজগনি। সেপ্টেম্বর থাদা অমুক 'নীংশিংবগী থোঙনাওদা' মখা চথজগনি।) ●

# য়ু এস অমদি নাটোগী লীলা

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

য়ু এস অমদি নাটো (নোর্থ অটলান্টিক ত্রিটি ওর্গনাইজেসন) অসি মালেমদা খ্বাইদগী লান পাম্বা লূপ অমনি। বৃটিশ এম্পাইয়রনা এসিয়াগী লৈবাক কয়াবু মখোয়গী মখাদা মীনাই নাইথাং ওইনা থমখিবসি চহী ১৫৬ মুকনি হায়না লৌনরি। কুমজা ১৯৯৭তা বৃটিশ এম্পাইয়রনা এসিয়া মনুংদা খ্বাইদগী তুংওইননা থাদোকখিবসি হোং কোংনি। অদুবু ঙসিদি অনৌবা নোংচুপলোমগী য়ু এসকী লুচিং মখাদা ইম্পিরিএলিষ্ট য়ু এস অমদি নাটোনা এসিয়া পূম্ববু লোই চন্নবা হোৎনরক্লি। নাটো অসি ইহান হান্না কুমজা ১৯৪৯দা য়ু এসনা শেম্বা মতমদা শুপ্নগী লৈবাক ১২ খক ওইখিবনি - বেলজিয়ম, কনাদা, দেনমার্ক, ফ্রান্স, আইসলেন্দ, ইটলি, লক্যমবর্গ, দি নেদরলেন্দস, নোর্ৱে, পোর্টুগল, দি য়ুনাইটেদ কিংদম অমদি দি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস। অদুবু ঙসিদি পূন্না লৈবাক ৩০ শুরে।

নোর্থ অটলান্টিক ত্রিটি ওর্গনাইজেসনগী মরু ওইবা পান্দমদি ওর্গনাইজেসন অসিদা য়াওরিবা লৈবাকশিং অসি মনীং মখা তম্না লৈবদা অমনা অমগী মতেং পাংনবা অমদি অতোপ্পা পোলিটিকেল আইদিওলোজি মান্নদবা লৈবাক নৎত্রগা লৈবাকশিংনা পোলিটিক্সতা নৎত্রগা মিলিটরি ওইনা লান্দারকপদা ঙাকথোকপনি। ইশম শম্না হায়রবদা মতম অমদা সুপর পৱার ওইনা লৈরম্বা সোভিএট য়ুনিয়নগী কম্ম্যুনিষ্ট আইদিওলোজি অমদি মিলিটরি পৱার শন্দোকপা থিংনবনি। মদুগী পান্দম অদুমক্লনি ঙসি ঙসি য়ুক্রেনদা লান থোক্লিবা। য়েংবদা, তাবদদি ইন্টরনেসনল কম্ম্যুনিতি ঙাকথোক্লবনি, দেমোক্রেসি ঙাকথোক্লবনি, ফ্রীদম ঙাকথোক্লবনি হায়বা অদুবু তশেংবদি লৈবাক কয়াদা মখোয়গী মিলিটরি বেজ থমজিন্দুনা অমদি মিলিটরি পৱার শীজিন্নদুনা লৈবাক কয়াদা খূৎ থিংজিনবা, মখোয়গী মায়োক্তা লৈবা লৈবাক্তুগী প্রসিদেন্ট লৌথোকপা, হাত্তোকপা, মখোয়বু শৌগৎপা মীবুনা প্রসিদেন্ট ওইনা হাপচিনবা, লৈবাক থুগাইবা অসিনি। খ্বাইদগী অনৌবা খুদম অমা হায়রগদি য়ু এস এগী খূৎশিন থৌরাংদগী শ্রী লঙ্কাদা হন্দক্তা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা শিনখিবা অসিনি।

মতৌ অসুম্না য়ু এস অমদি য়ু এসকী খোঙলোই ওইরিবা নাটো লৈবাকশিংনা লান্দাখিবা লৈবাকশিং খুদম খরা থমজরবদা - নোর্থ কোরিয়া, ভিএটনামদা, ক্যুবাদা, নিকারাগ্বা, সোমালিয়াদা লান্দাখিবা, কুমজা ১৯৯৯দা নুমিৎ ৭৮ চূপ্না য়ুগোস্লাভিয়াগী সর্বিয়াদা নোংথক্তগী মশীং থিঙমদবা বোমশিং থাদদুনা লান্দখিবা, ২০০১দা অফঘানিষ্টানদা লান্দাখিবা, ২০০৩দা ইরাকতা "weapon of mass destruction" লৈরে হায়জিন্দুনা লান্দাদুনা ইরাককী প্রসিদেন্ট সদাম হুসেন হাৎখিবা, লিবিয়াদা জেনরেল গদাফিগী লৈঙাক থুগাইদুনা রেবেল গ্রুপকী মখূৎতা শিহনখিবা, কুমজা ২০১৭তা সিরিয়াগী লৈঙাক্তা লান্দাখিবা অদুগা হৌজিক্লা য়ুক্রেনবু শীজিন্নদুনা রুসিয়াবু শাউহন্দুনা য়ুক্রেন ঙাকথোকপগী মমিংদা য়ু এস অমদি নাটোগী মিলিটরি বেজশিং মশীং হেন্না থমজিন্নবা য়ুক্রেনদা খূৎশু খূৎলায় পীশিন্দুনা লান থোকহল্লিবা অসিনচিংবা শল্লপ্পা পনবা য়াই।

মতৌ অসুম্না য়ু এসকী লুচিং মখাদা নাটোগী মিলিটরি ষ্ট্রেঙথ শীজিন্নদুনা য়ু এসনা মখোয়গী মিলিটরি বেজশিং থমজিল্লি অফ্রিকাদা, লাটিন অমেরিকাদা, য়ুরোপতা অমদি এসিয়াদা থমজিল্লি। অদুবু হেন্না মীপাইবা ওইরিবদি চাইনানা এসিয়াগী লৈবাকশিংদা লান্দানবা শেম শারি হায়বা অরানবা পাউ শীজিন্নদুনা এসিয়াদা নাটো শন্দোক্লবা হোৎনরিবা অসিনি। রুসিয়াগী মায়োক্তা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টবু পপেট ওইনা শীজিন্নদুনা লান থোকহনবগুম কম্ম্যুনিষ্ট চাইনাগী মায়োক্তা ঙসি পাল্লিবা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট অসিবু পপেট ওইনা শীজিন্নদুনা টাইৱানগী দেমোক্রেসি অমদি ফ্রীদম ঙাকথোকপীগনি হায়বগী ওইরোইদবা অরানবা থাজবা পীশিন্দুনা চাইনা অমদি টাইৱানগী লৈনরিবা মরী থুগাইনবা হোৎনবা লেপত্রি, লোয়ননা য়ু এস অমদি নাটোগী মিলিটরি বেজশিং ফাওবা থমজিন্নবা হোৎনরক্লি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি য়ু এসনা চাইনাবু মায়থীবা পীবা হায়বসি য়ু এস খক্তনা মায়থীবা পীবা ঙম্লোই খনবনা এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মতেং লৌনবা নাটো শন্দোক্লবা হোৎনরকপনি।

অসিগুম্বা য়ু এস অমদি মহাক্কী খোঙলোই নাটো লৈবাকশিংনা মখোয়গী হ্বাইট সুপ্রিমেসি অমদি ইম্পিরিএলিজম অসি মখা তানা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা শন্দোকপগী খোঙথাং অসিদা মশা মশাগী পোলিটিকল গ্যেন্স ফংনবা হায়দুনা ঙসি পাল্লিবা লৈবাক কয়াগী মপি মপা ওইবশিংনা য়ু এস অমদি নাটোগী নমথাক্কী লাংদা থুরি। মসিমক টাইৱান্দসু থোক্লি। ঙসি পাল্লিবা টাইৱানগী দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি লৈঙাক্লা য়ু এস এগী নমথাক অসিদা ৱান্থদুনা য়ু এস এনা হায়বতা ইন্দুনা লাক্লি চহী ৫/৬ অসিদা। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা টাইৱানগী মীয়াম্বু খোইশাওনহল্লি, মীপাইহল্লি লোয়ননা চাইনাবুসু শাউহনবা লেপত্রি। অদুম ওইনমক চাইনানা টাইৱান্দা হেক্তা লান্দারকপগী ফীভমদি লৈতে হায়বসি অচুম্বা পামজবা য়ু এস অমদি মালেমগী অখঙ অহৈ কয়ানা ফোঙদোক্লি অদুগা য়ু এস এ অমদি নাটোনা শেল পীজদুনা লৈবা নোংচুপলোমগী মীদিয়াশিংনা শন্দোক্লি অরানবা পাউশিং মদুদি চাইনানা টাইৱান্দা লান্দাগদৌরে হায়দুনা। মসিদা লোইদ্রি। হায়রিবা শেল চাবা নোংচুপলোমগী মীদিয়াশিং অসিনা চাইনানা সাউথ ইষ্ট এসিয়া অমদি ফার ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিং অমদি ওষ্ট্রেলিয়া য়াওনা লান্দাগদৌরে হায়না অরানবা পাউ শন্দোক্লি। মতাংসিদা নীংশিংজনীংবদি ঙসি চহী ৪০ মুকসিগী মনুংদা কম্ম্যুনিষ্ট চাইনানা লৈবাক অমত্তদা লান্দারুবা লৈত্রি লোয়ননা সুপর পৱার ওইরক্কদৌরিবা চাইনাদি শুপ্নগী মিলিটরি নেভেল বেজ অমখক Republic of Djibouti (Africa) দা থল্লি অদুবু য়ু এস এগীদি লৈবাক ১৬০দা মিলিটরি বেজ লিশীং অমা হেন্না থমজিন্দুনা লৈরি ঙসি। মসিদা কনানা কনাদা লান্দাগদৌরিবনো হায়বসি পাবিরিবা শোম্নসু খন্থবীরো।

লোইশিল্লকপদা, য়ু এস অমদি নাটোসি দেমোক্রেসি অমদি নাটো লৈবাকশিং ঙাকথোক্লবা শেমখিবা ওইরবসু ঙসিদি য়ু এস অমদি নাটো ইম্পিরিএলিজম শন্দোক্লবা হোৎনবা, লান য়াম্না পাম্বা অদুগুম্বা লূপ অমা ওইরে। মশা মশাগী ওইজবতা খন্দুনা লৈবাক কয়াগী মপি মপা ওইবশিংনা য়েংথীনরিঙৈদা বৃটিশ এম্পাইয়রগী মখাদা চহী ১০০/২০০ এসিয়াগী লৈবাক কয়া মীনাই নাইথাং ওইখিবগী পুৱারী অমুক হন্না হঞ্জিল্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। এসিয়ানা তুংদা মীনাইগুম নৎত্রগা মপুগুম লৈবা হায়বসি ঙসি লৈবাক কয়াগী চুপলি পায়রিবা মপি মপাশিংগী মখূত্তা য়াম্না লৈরে হায়বসি খঙজিনফম থোকই। মশা মশাগী চৌক্রি ফংনবা হোৎনবদা য়ু এস অমদি নাটোগী মতেং লৌগে খল্লবদি শোয়দ্রে নোংমা এসিয়া পূম্বা বৃটিশ এম্পাইয়রগী মখাদা মীনাই নাইথাং ওইনা চহী ২০০ মুক লৈরম্বদো অমুক হঞ্জিল্লকপা য়ু এস অমদি নাটোগী মখাদা। ●